কোভিদ-১৯ লান্থেংমিনবা হায়বগী পান্দমদা নুপী লালগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

NUPI LAN NINGSING NUMIT
Chahisigi Pandam
COVID-19 LANTHENGMINBA
Date 12-12-2020
Venue :-B.C.A., Lamlai
(PALEM)
IREI APUNBA LEIMAROL MEIRA PAIBI

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১২ (ঐচএনএস):

ইম্ফাল ইষ্টকী মনুংচনবা লম্লাইগী ব্রাইটর করিয়র একাদেমি স্কুলদা ঙসি পোইরৈ অপুনবা লৈমরোল মৈরা পায়বি (পলেম) অমদি কোভিদ কম্মিটিগা খুৎশম্নদুনা নুপী লাল নিংশিং নুমিৎকী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা নুপী লাল নিংশিং নুমিৎকী থৌরম অদুগা ইরোইননা কোভিদ-১৯ লান্থেংমিনবা অমদি কোভিদ-১৯গী চৎন-কাংলোনশিং ঙাক্লা চৎসি হায়বা পাউজেল পুরদুনা নাপেৎ পল্লিদগী লম্লাই বাজার ফাওবা রেল্লি অমসু চৎখি।

নুপী লালদা শরুক য়াখিবি লাইওইখ্রবি ইমাশিংদা লৈ কৎতুনা অমদি মখোয়না লৌরম্বা কাউঙম্লরোইদবা থৌদাং অদুবু নিংশিংদুনা মিনট অনী তুমিন্না লেপ্পুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি হায়রি। পোইরৈ অপুনবা লৈমরোল মৈরা পায়বি (পলেম) অমদি কোভিদ কম্মিটিগা খুৎশম্নদুনা পাঙথোকখিবা নুপী লাল নিংশিং নুমিৎকী থৌরম অদুদা পলেমগী প্রসিদেন্ট খাইদেম পুর্নিমাসি, এদভাইজর টি ঐচ বিমোলা, সেক্রেটরি ঙাইরাংবম অনন্দি অমদি এল. রঘুমনি, ৰাই ইনাউবি, টি দারা অমসুং কোভিদ-১৯ কম্মিটিগী মেম্বরশিংসু শরুক য়াখি। লোয়ননা থৌরম অদুগা মরি লৈননা চৎখিবা রেল্লি অদুদা পলেমনা কোনবা মফমশিংদা লৈরিবা নুপী কয়ানসু শরুক য়াখি হায়রি।

মসলসানা শীন্দুনা ওনলাইন নেসনল লোক অদালট পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১২ (ঐচ এন এস):

মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (মসলসা) গী দেপ্যুটি মেম্বর সেক্রেটরি সোরোকখাইবম সদানন্দনা থোরকখিবা চেরোল অমদা ঙসি মসলসানা শীন্দুনা তোঙান-তোঙানবা বেঞ্চ অনী লৈবা ওনলাইন নেসনল লোক অদালট পাঙথোকখ্রে হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, ঙসিগী নেসনল লোক অদালটকী অহানবা বেঞ্চ অদু ফেমিলি কোর্ট মণিপুরগী জজ বিন্নি ঙাঙোমনা চ্যেরপর্সন ওইরগা এদভোকেট সী ঐচ নন্দনা মেম্বর ওইখি। অনীশুবা বেঞ্চ অদুনা সিভিল জজ (জুনিয়র দিভিজন), ইম্ফাল ৱেষ্ট-টু হিরালতা মোইরাংথেমনা চ্যেরপর্সন ওইরগা এদভোকেট কে বিনোদিনিনা মেম্বর ওইখি হায়রি।

অদালট অসিগী বেঞ্চ অনীমক্তা বেঙ্ক, ইন্সুরেন্স কম্পেনিশিং অমসুং মরী লৈনবা দিসপ্যুটশিংগী পার্টিশিংনা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খূত্থাংদা ওনলাইন লোক অদালট অসিদা শরুক য়াখি। মসিদা মরী লৈনবা পার্টিশিংগী মরক্তা ইফেক্টিভ কম্যুনিকেসন পীবা ঙম্নবগীদমক ভর্চ্যুএল কম্যুনিকেসনগী পান্থে পূম্নমক লৌখৎতুনা শীজিন্নখি হায়রি।

পূন্না মোটোর এক্সিদেন্ট ক্লেইম কেস ১২ অমসুং কোর্টশিংদা পন্দুনা লৈরকখিবা সিভিল কেস ৪ অমদি প্রী-লিটিগেসন বেঙ্ক রিকোভরি কেস ১৩২ সেট্টল তৌখি। পূন্না বেঞ্চ অনীমক্না লুপা ১,৯০,৮৪,৮৫০গী দিসপ্যুটশিং সেট্টল তৌখি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়বদা, নেসনল লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (নালসা) গী কেলেন্দর মতুংইন্না চৎলিবা চহী ২০২০ অসিদা নেসনল লোক অদালট ৪ পাঙথোক্কদবনি। মসিগী মনুংদা অহানবা লোক অদালটনা হৌখিবা ফেব্রুৱারী থাদা পাঙথোকখ্রে। অদুম ওইনমক মখা তারকপা লোক অদালটশিংদি জুলাই অমসুং সেপ্টেম্বর থাদা পাঙথোকফম থোক্লবসু কোভিদ-১৯ পেন্দমিকনা মরম ওইরদুনা পাঙথোকপা ঙমখিদ্রে হায়রি।

পেন্দমিক মনুং ওইরবসু নালসা অমসুং মসলসানা দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটিজ অমসুং হায় কোর্ট লিগেল সর্ভিসেস কম্মিটিগা খূৎশম্নদুনা চৎলিবা চহী অসিগী অরোইবা লোক অদালট ওইনা ঙসি ষ্টেট অসিগী কয়াদসু ভর্চ্যুএল অমসুং ফিজিকেল মোদতা লোক অদালট অসি পাঙথোকপনি হায়রি।

মণিপুরগী অহানবা ওইনা ঙসি লোক অদালটশিং বিষ্ণুপুর, থৌবাল, সেনাপতি, তমেংলোং, চান্দেল, মোরে, জিরিবাম অমসুং হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা পাঙথোকখি। হায়রিবা অসি ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা লম্ফেল কোর্ট কমপ্লেক্সকী এ দি আর বিল্ডিংদা পাঙথোকখিবা ভর্চ্যুএল লোক অদালটকী মথক্তনি হায়রি।

সেনাপতি অমসুং চুড়াচান্দপুরদদি কনেক্টিভিটিগী ইস্যুশিং লৈবদগী ফিজিকেল মোদতা কোভিদ-১৯গী প্রোটোকোলশিং চেকশিন্না ঙাক্তুনা পাঙথোকখি হায়রি। লোয়ননা মসলসাগী মায়কৈদগী ঙসিগী নেসনল লোক অদালট অসিবু মপূং ফানা মায় পাকহনখিবগীদমক প্রেসাইদিং ওফিসর, জুদিসল ওফিসরশিং, এদভোকেটশিং, দিসপ্যুটশিংগী পার্টিশিং, বেঙ্ক অমসুং ইন্সুরেন্স কম্পেনিগী ওফিসলশিং লোয়ননা মীদিয়াগী মীওইশিংবুসু দেপ্যুটি মেম্বর সেক্রেটরিগী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

হায় কোর্টকী লোক অদালটনা লুপা ১৯,৯০,০০০গী কেস অনী সেট্টল তৌখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১২ (ঐচ এন এস):

ইম্ফালগী মন্ত্রি পুখ্রিদা লৈরিবা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ঙসি পাঙথোকখিবা অনীশুবা নেসনল লোক অদালটনা অপূনবা শেনফম লুপা ১৯,৯০,০০০ ওইবা কেস অনী খন্নরবা মতুংদা সেট্টল তৌখ্রে।

কোর্ট অসিদা ঙসি পাঙথোকখিবা নেসনল লোক অদালট অসি হায় কোর্ট লিগেল সর্ভিসেস কম্মিটিনা শীনবনি। ঙসিগী অনীশুবা লোক অদালট অসিদা তোঙান-তোঙানবা কেস ১৬ পোষ্ট তৌখি। অদুবু কেসশিং অসিগী মনুংদগী কম্পেন্সেসন পীবগা মরী লৈনবা হায়রিবা শেনফম অসিগী কেস অনীখক্তমক সেট্টল তৌখি হায়রি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়বদা, হায় কোর্টতা পাঙথোকপা অনীশুবা লোক অদালট অসি ঙসি ফিজিকেল অমসুং ভর্চ্যুএল হিয়ারিংগী খুদোংচাবা শীজিন্নদুনা পাঙথোকখিবনি। অদুম ওইনমক হৌজিক ষ্টেট অসিদা মায়োক্লরিবা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কীদমক য়েংলগা মথৌ তাবা এস ও পি অমসুং প্রোটোকোলশিং ঙাক্তুনা হায় কোর্ট অসিগী চীফ জষ্টিশ রামালিঙ্গম সুধাকরনা লোক অদালট অসি পাঙথোকখিবনি হায়রি।

ঙসি পাঙথোকখিবা নেসনল লোক অদালট অসিগা মরী লৈননা চীফ জষ্টিশকী মায়কৈদগী এদভোকেটশিং এনগেজ তৌবদা চঙলিবা মতম অমসুং শেলশিং সেভ তৌবা ঙম্নবগীদমক মেদিএসন অমসুং লোক অদালটকী খূত্থাংদা দিসপ্যুটশিংগী সেট্টলমেন্ট পুরকপদা পূক্নিং থৌগৎখি। মসিগী মথক্তা দিসপ্যুটশিংগী ৱায়েল পার্টি অনীমক্কী মরক্তা য়ানবা পুরক্তুনা লোইশিন্নরবনা নাকল অনীগী মরক্তা মখা তানা নিংদোল পোম্নবসু লৈররোই হায়রি।

এ আরনা ৱাটর টেঙ্ক য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১২ (ঐচএনএস):

অসাম রাইফলসনা সিভিক এক্সন প্রোগ্রামগী মখাদা চুড়াচান্দপুরগী মনুং চন্না লৈবা নালোন অমদি কাংথৈ ভিলেজদা এন্টি বেক্টোরিএল ৱাটর ষ্টোরেজ টেঙ্ক ২০ য়েন্থোকখ্রে।

অসাম রাইফলসনা ঙসি চুড়াচান্দপুরগী খুল অনীদা পাঙথোকখিবা ৱাটর টেঙ্ক য়েন্থোকপগী থৌরম অদু ফ্রেন্স ওফ দি নোর্থ ইষ্ট পিপল হায়বা থিমদা শোত্থরবা শেন্মীৎলোনগী ফীভম ফৎত্রবা অথাপ্পা খুঙ্গংশিংদা লৈবা মীওইশিংগী য়াইফনবগীদমক পায়খৎলকপা থৌরাংগী মখাদা পাঙথোকখিবনি।

হায়রিবা প্রোগ্রাম অসিনা মমাঙগী থৌরম কয়াদসু ঈশিংগী অৱাবা মায়োক্লরিবা খুঙ্গংশিংদা এন্টি বেক্টোরিয়েল ৱাটর ষ্টোরেজ টেঙ্ক য়েন্থোকখিবা লৈখ্রে। অসাম রাইফলসনা চীংগী লমদা অমদি লোইজিং লোয়াদা লৈবা খুঙ্গংশিংগী মীওইশিংগা পূন্না অফবা মরী অমা থম্নবগী পান্দমদা থৌরম অসি চত্থরক্তুনা লাকখিবনি। লোয়ননা লমদম অসিদা লৈরিবা মীচম মীয়াম অমদি সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগগী মরক্তসু অফবা মরী অমা থম্নবগীদমক থৌরম অসি মখা তানা চত্থখিগনি হায়রি।

সোসল ৱর্কর প্রেশয়োজিৎনা সেনিটাইজর অমদি মাস্ক য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১২ (ঐচএনএস):

রোটরি ক্লব ওফ পোলো সিটি ইম্ফালনা ফ্রোটিস ইস্কোর্ট হোস্পিটাল ন্যু দিল্লিগা খুৎশম্নদুনা চহী অসিগী নবেম্বর থাদগী লেপ্পুনা চত্থরকপা রোটরি ষ্টে সেফ কোভিদ-১৯গী অখন্নবা প্রোজেক্টকী মখাদা থোংজু কেন্দ্র প্রোগ্রেসিভ ট্রষ্টনা শিন্দুনা খোংমন মংজিলদা লৈবা ওরিয়ন্টেল ক্লবতা সেনিটাইজর অমদি মাস্ক য়েন্থোকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুগা ইরোইননা ওরিয়েন্টেল ক্লব অমদি লৈকায়গী পোৎফম ফন্বীশিংদা হেন্দ সেনিটাইজর অমদি ফেস মাস্কনচিংবা পোৎলমশিং থোংজু কেন্দ্র প্রোগ্রেসিভ ট্রষ্টকী ফাউন্দর অমদি সোসল ৱর্কর রোটরিয়ন প্রেশয়োজিৎ অমসুং রোটরি ক্লবকী প্রসিদেন্ট রোটরিয়ন জোসি অমসুং রোটরি ক্লবকী মরুওইবা মেম্বরশিং কয়ানা শরুক য়াদুনা য়েন্থোকখি হায়রি।

শোথনা লৈরবা মীওই ৮৩ দা অচম্বা খুদোল তমখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১২ (ঐচএনএস) : পিপলস রাইটস প্রোটেক্সন কম্মিটি (পি আর পি সী) ইম্ফাল ইষ্টনা শিন্দুনা লমদম অসিগী পুৱারীদা সনাগী ময়েক্লা ইদুনা লৈহৌরগদবা ৮১ শুবা নুপীলাল নীংশিং নুমিৎ পালন থৌরমগা মরী লৈননা লমদম অসোমগী খ্বায়দগী ফবা খনগৎলবা ইমা অনী অমদি শোথনা লৈরবা মীওই ৮৩ দা অচম্বা খুদোল তমখ্রে হায়রি।

কৈরাও মক্তিং লিতান মখোঙদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙবদা পি আর পি সীগী চীফ এদভাইজরসু ওইরিবা সোসল ৱার্কর এম আই খাননা ফোঙদোকখিবদা অদুঙৈ কুমজা ১৯৩৯ গী দিসেম্বর ১২ দা থোকখিবা মালেমদা অনী শুদ্রবা নুপী লাল অদুদা মরৈবাক্কীদমক্তা থৱায় কৎখ্রবা ইমাশিং অমদি লাল অদুদা শরুক য়াখিবা ইমা পূম্নমক্তা ঈকায়খুম্নবা উৎপা অমদি তুংগী মীরোলনা মখোয়গী মতৌ তমজগদবনি হায়না ফোঙদোকখি।

লমদম অসিদা খুন্দারিবা পাঙলশিংনা ইরমদম অসিগীদমক্তা হীরম খুদিংদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। নুপী লাল অসিদসু লমদম অসিগী মীতৈ পাঙল ৩০ রোম শরক য়াখি। মখোয়গী মনুংদা ইমা ৪ শিখি, ১৭ শোইনাইখি অমদি ইমা ১০ থিবা ফংখিদে হায়না কুমজা ২০১২ তগী লাউদুনা লাকখি। লায়বক ফবদগী কুমজা ২০১৫ দগী মতম অদুগী লৈঙাক্লা পাঙল ইমা ৪ গী পেন্সন পীবা হৌখ্রে ইমা ২৭ কীসু পীগদবা লৈরি।

পাঙলগী হিষ্টোরিয়ন লৈতবা অমদি শোল্লল্লবসু তপ্না তপ্না খঙনরকপদগী ঙসিদি নুপীলাল সেলেব্রেসন কম্মিটিনা পাঙল ইমা ২৪ গী লিষ্ট হাপ্পিরকপা অসি থেংনরুবদা য়াম্না নুংঙাইজে।

লমদম অসিগীদমক্তা মৈহৌরোলদগী হৌনা পাঙলশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। তুংদসু ইরমদমগীদমক্তা থৱায় কত্থোকপদা পাম্মুরোইসি। ঐখোয় লাইরিকসু তমসি, ইরমদমগীদমক্তসু অচৌবা থৌদাং লৌমিন্নসি হায়না এম আই খাননা মীয়ামদা আপীল তৌখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা কৈরাও মকতিংগী জিল্লা পরিষদ মেম্বর, প্রধান অমদি মেম্বরশিংসু শরুক য়াখি হায়রি।।

S3 COACHING CENTRE
(STEP TO SURE SUCCESS)
NAGAMAPAL RIMS ROAD CORNER

Class starting from 10th Dec. 2020
under strick SOP guidelines

For Class XI & XII
Subject offered are:
Maths
Physics
Chemistry
Biology

For Class X
Subject offered are:
Science
Maths
Social Science
MIL

Class timing:
6:00 am - 9:00 am
10:00 am - 2:00 pm

*First come first serve

For more details please contact:
9089770462, 9856331259

HL-B/6584/5/12-1/02

পাইলসকী ওজা
ABDUL HAK পু থাগৎপা ফোঙদোকচরি

পাইলসকী প্রোব্লেমনা মরম ওইরগা ঐগী হকচাং মতম শাংনা অৱাবা খাঙদুনা লাকখি। খোঙ হান্বদা য়াম্না লিকপা, কুইনা চঙবা, খোঙ হান্বদা চেখাইরগা শাবা-থুপ্পা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা হকচাং শোন্থবা, পাঙ্গল ৱাৎলকপা, থবাক ফুনগৎলকপা, পূক গ্যাষ্ট্রিক কাদুনা চাবা-থকপা য়াদবা, অমাংথোঙ মনুং অমসুং মপান্দা পোমদুনা য়াম্না নাবা, চিকপা-শাবা, খোঙয়া শাবা, খ্বাঙ নাবা, শৌজগী মপান্দা মঙ্গন মরূ মানবশিং লৈরকপা পূম্নমক অসি ঙসিদি অল্লাহগী থৌজালদগী ওজাগা থেংনজবদগী অনাবশিং অসি মপূং ফানা ফজরে। ওজাবু অল্লাহনা মীয়ামগী সেবা পূন্সি শাংনা তৌবা ঙম্বা ওইসনু হায়না দুৱা তৌজরি।

ওজাগী লায়েংফমদি :-
1. Wangoi SBI Awang, Near Oil Pump (6 am to 5 pm)
Contact No. : 8794429681, 8014623756

থাগৎচরিবা : Md. Riyajuddin
Sangaiyumpham Idgah

HL-P/8117/13

/ DASHA LANGFAM YENGJARI

Khurumjari, leibak miyamgi khudongchagadaba yengduna online da dasha langfam yengjari. Esagi kuthi natraga khubak mami foto thabirak u. Pijariba hiramsingdagi ahum khanbiyu; 1. mahei-masing, marakta sonba, tambagi thak, paknaba/paknadaba subjects, 2. thabak-sinfam, punsigi paknaba, sarkar/ private touba, 3. karbar, dokan, firm, film, factory, henna tongba lalonpot, 4. sel-thum fibam, lakpa/chatpagi maong, puthaba/enak khunbagi chang, 5. yum-kei, lou-engkhol, gari, afa-fata, leiba/yonba, 6. yumban lambi, afa-fata, thungnagadaba mioi, nungsinaba/hainaba, 7. angang, afa-fata, nupa/nupi, yaoba/ yaodaba, fanaba maram, 8. hakchang, asonba kayatsing, laina/ accident, akaiba lakadaba, 9. yeknaba, akoibagi yengsinba, mangnaba touba, potsem jadu, 10. mai pakpa, mingchat, afaoba, artists, writer, politician. Esagi ming yaona What'sapp ta thabirak u, yengbagi che tharakani, ayengmal google pay/phonepe/paytm da hapirak u, chahi 70gi mathak/mimanadabsing 40%, Rphai follower 10%, tajagani.Anakpada leibibasingdi yengbagi che loubada sel piba yagani.

What'app No: 9077188456
Astro-consultant- JM Dr Ph Rajendra (Rajendra Phai)
(International Astrologer)
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai, Imphal

NB:-1. Specially for foreign languages (French, Spanish, Japanese, German, Chinese) are prediction.
2. Recording voice, vedio calling by extra charges.
3. Phone, pickup from 9am to 12 noon only.

HL-P/6169/29/11-17/12(alt)

/ অমাংথোঙ ময়াদা য়াইরোংমুক চাওবা অমা পোমথোরক্লগা য়াম্না চিকপা-নাবা তৌরগা খাঙবা ঙমদবা, মচীনসু নাইদবা, অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু চাওথোকপা, পূকচেপ হেক নাবগা খোঙ হান্বা খূদিংগী ঈ য়াওরকপা অমদি খোঙ হান্বা মতমদা ঈ মতুম-মতুমসু য়াওরকপা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোঙ ময়াদা য়াইরোংমুক চাওবা অমা পোমথোক্লগা য়াম্না চিকপা-নাবা তৌরগা খাঙবা ঙমদবা, চিকপা অদুনা মরম ওইদুনা অহিংফাও তুম্বা য়াদবা, চিকপা অদুনা মরম ওইদুনা চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, চ্যের অমসুং ফান্দা ফম্বা ঙমদবা পোমথোক্লগা চিকপা অদুনা, অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু চাওথোকপা, খোঙ হান্বগী শংবদনা অমুক্কা হেন্না চিকপা, ঈশিং অশাবা ফম্বদা ঙাইহাক ফরম্লগা হান্নগুম্না অমুক চিক্লকপা, খোঙ হান্বা য়াদবা, খোঙ হান্বা য়ানবা হোৎনবদা হকচাংদা অৱাবা অমা ওইবা, পূকচেপ হেক নাবগা খোঙ হান্বা মতমদা ঈ য়াওরকপা অমদি খোঙ হান্বা মতমদা ঈ মতুম-মতুম য়াওরকপা, অমাংথোঙ মনুংদা চক্-চক্ থিল্লকপা, অমাংথোঙ ময়াদা পোমথোকপা অদু মচীনসু নাইদবা, কাময়া অনীমক চিকপা-নাবা, ফন্বী শোনবা, খোঙয়া শাবা, ঙকশম মরী নাবা, লেংজুম অনীমক চিকপা-নাবা, বেক বোনদা চিকপা-নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-B/6537/13

থাগৎচরিবা : L. Nelson Singh, Thoubal

DUTTA AYURVEDIC CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

(অঙৌবা পকপা)

হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্লা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)

তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)

দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্নি। ফন্বী চাং হন্থরক্কনি, মপান তোয়না থোক্নি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্নি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)

নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কল্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)

পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হান্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)

ফন্বী পাবা, নুপাগী ফন্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)

নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)

না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)

শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE

If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegetables or tea without telling him.

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL

If you want to control diabetes, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

DUTTA AYURVEDIC CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

HL-B/6597/09/12-07/01

CROSSWORD-3645



ACROSS

1 The capital of Uruguay (10)
7 Little pasta cases with savoury filling (7)
8 Profound (4)
10 Walk through shallow water (4)
11 Leave the country (8)
13 Sea between Greece and Turkey (6)
15 Owing money (2,4)
17 Australian marsupial (8)
18 Unpleasant child (4)
21 The two of them (4)
22 Examined and corrected (7)
23 Early bird song (4,6)

DOWN

1 Shifted (5)
2 Midday (4)
3 Puzzle (6)
4 Needy (8)
5 Raise (7)
6 Disadvantages (9)
9 Lack of doubt (9)
12 Long-distance foot-race (8)
14 Venetian canal boat (7)
16 Quarter (6)
19 Takes a break (5)
20 Above (4)

Solution 3644

■	A	B	B	R	E	V	I	A	T	E	■	■
■	T	■	R	■	A	■	N	■	U	■	I	■
S	O	M	E	R	S	E	T	■	L	I	N	K
■	N	■	W	■	T	■	R	■	I	■	S	■
■	E	V	I	L	■	P	E	R	P	L	E	X
■	■	■	N	■	P	■	P	■	■	■	R	■
■	S	I	G	N	I	F	I	C	A	N	T	■
■	I	■	■	■	N	■	D	■	N	■	■	■
A	S	T	O	U	N	D	■	B	A	R	N	■
■	T	■	F	■	A	■	P	■	E	■	O	■
C	E	N	T	■	C	A	L	A	M	I	T	Y
■	R	■	E	■	L	■	A	■	I	■	C	■
■	■	U	N	D	E	R	N	E	A	T	H	■

SOLUTION ON NEXT ISSUE

HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-3444

		1	4		5			
		4	7				2	
					6	5		
8			1	4	7			9
7								1
4			8	6	2			3
		3	5					
	2				1	8		
			2		4	1		

Solution-3443

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

6	5	8	1	9	4	3	7	2
9	3	2	7	8	5	4	1	6
7	1	4	2	6	3	9	8	5
3	8	1	4	7	2	5	6	9
4	9	5	3	1	6	8	2	7
2	6	7	8	5	9	1	4	3
8	4	6	9	3	7	2	5	1
5	2	9	6	4	1	7	3	8
1	7	3	5	2	8	6	9	4



লময়ানবা ইরাবত

ৱারী অমসুং খুৎয়েক : সামসন সলাম

জেলদগী মহাক্লা অসামগী চীফ সেক্রেটরিদা মাবু থাদোকপিনবা চিঠি অমা ইখিবদা অয়াবা ফংখিদে।



১৯৪৪ নবেম্বর ১০ দা মণিপুরগী ষ্টেট দরবারদা চিঠি অমসু ইখি অদুবু মদুদসু মাই পাকখিদে।



১৯৪৫ জান: ১০ জেলদগী থোরক্লবা তুংদা মণিপুরদা চঙবা য়াদবদগী অসামদা কোইচৎ চৎতুনা লৈখি।